# চয়েৎনরিঙৈ মরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল অমা মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে : সাউথ মিলিটৈরি



সিওল, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অনগী মচন্নুপী কিম য়ো জোংনা ইন্টর কোরিয়ন সম্মিট অমা পাঙথোক্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি সমুদ্রগী ঈমায়দা মিসাইল অমা কাপ্তুনা মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখ্রবা মিসাইল অদু করম্বা মখলগীনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ পুবা ঙম্বা মিসাইল ওইগনি হায়না সাউথকী জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চয়েৎনরিঙৈ মরক্তা নোর্থনা মিসাইলশিং কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্ননবা হোৎনরিবা অসিদা চাওনা অকায়বা লাকপা য়াই হায়রি।

অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া লৈরিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা মহাক্কী মতমদা পুরকপা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং নোর্থকী লুচিংবা কিম জোং অনগী এদভাইজরসু ওইরিবী কিম য়োং জোংনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বসি নোর্থকীসু অপাম্বনি। অদুবু সাউথনা মমায় অনী লোংবা থবক তৌরিবমখৈ নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শাবগী ৱাফম লৈতে। সাউথনা নোর্থকা লোয়ননা ৱারী শাবা পাম্লবদি অরানবা থবক তৌরোয় হায়বগী থাজবা হান্না পীগদবনি অমদি হিরম অসিদা য়ু এসনা খুৎ থিংজিলহল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ১৯৫০ দা নোর্থনা সাউথতা অকনবা মওংদা এটেক্ট চত্থদুনা খুদুম চন্নবা হোৎনখি অমদি চহী অহুমলোম সাউথপু মখোয়গী লোয়লম ওইনা থমখি। মতম অদুদগী হৌরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবা হৌরকখিবনি। মরক অসিদা য়ু এসনা খুৎ থিংজিল্লক্তুনা নোর্থকী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনবা হৌরকখিবনি।

য়ু এসনা পিয়োংয়াংগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখ্রবসু নোর্থ কোরিয়ানা অথিংবা থমখ্রবা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকপগী থবক্তি লেপ্পা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা য়ু এস অমদি নোর্থকী মরক্তসু উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। নোর্থ অমসুং য়ু এসকী মরক্তা য়ানদবা কয়া লৈরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক য়ু এসতা হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা জো বাইদেনগী মমাংদা লৈরম্বা দোনাল্ড ট্রুম্পকী মতমদগী হৌরগা থেংখাং কয়ারক্তা ৱারী শান্নখ্রে।

মদুদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লাকখি। জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসনগসু নোর্থ কোরিয়াগা হানোইদা ৱারী শান্নখ্রে। মদুদসু য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লাক্লি। য়ু এসকী মায়কৈদগী ন্যুক্লিয়রগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া নোর্থকী মথক্তা পুখৎখিবা অদুবু লৈবাক অসিনা য়াখিদবগা লোয়ননা ৱারী শান্নখিবা অদুদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবনি। নোর্থ কোরিয়ানা থা অসিদা বেলেষ্টিক মিসাইল কয়া কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে মদুগী মনুংদা য়াম্না শান্না পায়বা ঙম্বতা নত্তনা ন্যুক্লিয়র ৱার হেদশিং পুবা ঙম্বা মিসাইল য়াওরি। সাউথকী ওইনসু থা অসিগী ময়ায় চল্লকপদা সব-মেরিন বেলেষ্টিক মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখিবা লৈখ্রে।

# চহীগী ওইবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা অফঘানিষ্টানগী মীহুৎ য়াওহল্লরোই



ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
ন্যু য়োর্কতা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা য়ু এনগী চহীগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অসিদা অফঘানিষ্টান লৈবাক্কী ওইনা মীহুৎ অমত্তা য়াওহল্লরোই হায়না য়ু এনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

অফঘানিষ্টানদা মমাং থাগী ময়ায় চল্লকপদগী লৈবাক অদুদা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক অদুবু টালিবানননা মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী ওইবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি। নৌনা শেমখ্রবা টালিবানগী লৈঙাক অদুনা মমাং মতমদা লৈরম্বা লৈঙাক্না য়ু এনগী এনভোয় ওইনা খল্লমখিবা মীওই অদুগী মহুত্তা টালিবানননা মখোয়গী ওইবা এনভোয় অমা খল্লকখিবগা লোয়ননা মহাকপু অৱাংবা থাক্কী মীফম অদুদা শরুক য়াহন্নবা হায়জরকখিবনি।

নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক অদুবু মালেমগী অয়াম্বা লৈবাকশিংনা রিকগনাইজ তৌদ্রিবনা মরম ওইরগা অফঘানিষ্টানগী নৌনা য়ু এন এনভোয় ওইনা খল্লকখ্রবা সুহেল সাহিনবু মীফম অদুদা ৱা ঙাংবগী অয়াবা পীখিদবনি। অমরোমদা হান্নদগী হৌনা য়ু এনদা অফঘানগী এম্বেসেদর ওইনা লৈরকখিবা ঘুলাম ইসাকজাইবু হৌজিকসু মালেমগী লৈবাকশিংনা মশক খঙলি। য়ু এনগী চহীগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অদুগী অরোইবা নুমিত্তা অফঘানগী মহুৎ শিন্দুনা ইসাকজাইনা ৱা ঙাংগনি হায়না লৈরমখি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মহাক ৱা ঙাংবা পামদ্রে হায়না ইসাকজাই মশানা ঙরাং ফোঙদোরকখিবনি হায়রি। মসিনা মরম ওইরগা হৃদক চহীগী ওইনা অফঘানগী মীহুৎ অমত্তা চহীগী ওইবা মীফম অসিদা য়াওহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোরক্লি। চহীগী ওইবা মীফম অসিদা ইসাকজাই মশানা ৱা ঙাংদ্রবসু ৱার্ল্ড বোদি অসিদা মহাক হান্নগুম মথৌ তৌখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাং থাদগী হৌরগা অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬-২০০১ ফাওবা লৈবাক অদুদা লৈখিবা অকিবগী মশক ওইরবা ফিভম অদুদা অমুক হঞ্জিল্লক্কদ্রা হায়না মীয়াম্না চিংনরি। মরক অসিদা টালিবান লৈঙাক্কী নৌনা ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রবা অমির খান মুটাকিনা য়ু এনদা হান্না লৈরম্বা অফঘান এম্বেসেদর ইসাকজাইগী মহুত্তা টালিবানগী ৱাঙাংলোয়সু ওইরিবা সুহেল সাহিনবু এম্বেসেদর ওইনা খল্লে হায়না লাউথোরকখিবনি।

# পঞ্জসির প্রেভিন্সতা এন্টি টালিবান ফাইটর ওইরম্বা য়াই চিংনবা অমগী মচা হাৎখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং ঙসি এন্টি টালিবান ফাইটর ওইরম্বা য়াই চিংনবা অমগী মচানুপা তমথিনা ওৎ-নৈরবা মতুংদা হাৎখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না পঞ্জসির প্রোভিন্সকী মনুং চনবা মফম অমদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘান পুম্বা খুদুম চল্লবা মতুং পঞ্জসির প্রোভিন্সতি লৌশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি। লোকেল মিলিসিয়া অমদি মসুদনা লুচিংবা এন্টি টালিবান ফাইটরশিংনা প্রোভিন্স অসি মতম শাংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লাকখিবনি।

পঞ্জসির প্রোভিন্স কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা টালিবান ফাইটর কয়া শিখ্রে। মফম অসিদা চঙশিন্নবা হোৎনরুবা টালিবান ফাইটরশিং শিখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা টালিবানশিংনা অকনবা এটেক্ট চত্থদুনা প্রোভিন্স অসি য়াম্না ৱানা খুদুম চনখ্রবা মতুং এন্টি টালিবান ফাইটর ওইরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অমগী মচাবু ফারগা তমথিনা হাৎখিবনি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং নুপীশিংগী হক মাঙহনবা য়াবা চৎন-কাঙলোনশিং শেম্বা হৌখিবগা লোয়ননা নুপীশিংনা মীরক থোক্তুনা থবক তৌবদা অথিংবা থম্বা হৌখ্রে। অমদি নুপীশিংনা নুপা য়াওদবা তোঙানবা স্কুলশিংদা মহৈ তমহন্নবা অনৌবা পোলিসিসু শেমখ্রে। মসিদা নত্তনা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংগী ওইবা চৎন-কাঙলোন অমা টালিবান লৈঙাক্কী অপাম্বা মতুংইন্না শেমখ্রেসু হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা হান্না লৈরম্বা শম অমদি কোয় ককফম কয়াসু থিংজিনবা হৌখ্রে। অফঘানগী নুপাশিংনা মশাগী ওইনা হৌজরক্লিবা কোয় নৎত্রগা শম অদু কক্তুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মতৌ তম্বা য়ারোই হায়না অনৌবা টালিবানগী লৈঙাক অসিগী ওইবা ওর্দর অমা থোকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মশাগী শিনফম মাঙখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

# ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনবা থবক ১তা পায়খৎত্রি

মিলান, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
ইটলিদা পাঙথোক্লিবা ক্লাইমেট টোল্ক অসি কান্নদবা অমনি হায়না চহী নৌরিবী ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট গ্রেটা থনবর্গনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চহী কয়াগী মমাংদগী ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈনবা মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা ফিরেপ কয়া লৌখ্রবসু ঙসিফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী লুচিংবশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জগী ইস্যু অসি শেলনা লোয়শিনবা য়াগনি হায়না খল্লি। মসিমক তুংদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী লাইবক থিবনি। পাঙথোক্লোইদবা থবক্কী ফিরেপ্তি লৌদবনা ফৈ হায়রি।

# য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন কোভিদ বুষ্টর কাপখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর কাপখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা বুষ্টর কাপ্তনবা হোৎনরিবা অদু অমেরিকাবু মাঙহন্নবা হোৎনবগা চপ মান্নে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসতা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিননগী অহুমশুবা দোজ কাপ্পগী থৌরম অদুদা মহাক মশাসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ওই থংবা লেংজুমদা ভেক্সিন অদু কাপখি। ভেক্সিন কাপ্পা লোয়রবা মতুং মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, চহী ৬৫ গী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংদসু বুষ্টর কাপ্পা য়াবগী অয়াবা মরী লৈনবা ওথেশরিটিশিংনা পীরকখ্রে। মহাক্না কাপ্লিবা ফাইজরগী অহুমশুবা দোজ অসি হকচাংদা শোক্লিঙাই ওইদে। লৈবাক অদুগী মীয়াম্নসু অথুবা মতমদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর কাপথোক্লবা হোৎনগদবনি। মসিনা লায়না লায়চৎ অসি মায়োক য়াবা ঙমগনি হায়রি। মশাগী চহী ৭৮ শুরবা জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীশিংগী চাদা ৭৭ তি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে। অদুবু মসিনা মপুং ফাবা হায়বদু ওইদ্রি। ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংনসু কাপথোক্লবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী মরাল লৈজদ্রবা মীওই লিশিং কয়া লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা শিহনখ্রে। তুংদা অসিগুম্বা লাইবকথিবা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোরক্তনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়রি।

# খুৎলায় পায়বশিংগী এটেকতা মীওই ৩৪ শিরে, ৭ শোক্লে

অবুজা, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
নাইজেরিয়াগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গং অমদা ঙরাং খুৎলায় মতিক চানা পায়বা শকখঙদবা মীওইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪ শিহনখ্রে অদুগা ৭ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট সিক্যুরিটি কম্মিস্নর সম্যুএল অরুৱাননা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু কাদুনা ষ্টেটকী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মদামাই খুঙ্গংদা থোকখিবনি। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মদামাই খুঙ্গংদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা শকখঙদবা মীওই ৪০ রোম লাক্লগা এটেক অদু চত্থরমখিবনি। খুঙ্গং অদুদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা এটেক চত্থবগী পাউ হেক ফংবগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মফম অদুদা খোংলৈ থুনা চঙশিনখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদু য়ৌবগা হান্না লৈরম্বা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু মখোয় তম্না নোংমৈ কাপখি। পুঙ ১ রোম নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। মদুগী মতুং খুৎলায় পায়বশিং অদু মমশিল্লকপগী খুদোংচাবা লৌরগা মফম অদুদগী চেনখিবনি হায়রি। খুৎ থোক্লবগী থৌদোক লোয়খ্রবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থখিবা থি হুম্বগী থবক অমদা চিংননিঙাই ওইবা মীওই অনী ফাবা ঙমখ্রে। মখোয় হৌজিক ৱাহং পাউহংগী থবক চত্থরি হায়না অরুৱাননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


**OFFICE OF THE**
**IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

No. 3/1/2018-IMC-2 Imphal, the 28th September, 2021

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না পায়খৎচরিবা Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban), PMAY-HFA (U) গী অনীশুবা Beneficiary Led Construction Project কী Preliminary Beneficiary List ফোঙলে। হায়রিবা List অসি IMC গী Website www.imc.mn.gov.in অমদি PMAY-Cell, G.M. Hall দগী য়েংবা ফংবীগনি।

কনাগুম্বা ৱাকৎনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং 5th October 2021 ফাওবগী মনুংদা PMAY-Cell, G.M. Hall দা Claims and Objections পীশিনবীবা য়াগনি।

N.B. ১) Claims and Objections পীশিনবা মতমদা Applicant গী Aadhaar য়াওবীরক্কদবনি।
২) ছুটি নুমীৎ ওইরসু Claims and Objections লৌজগনি।

খঙহঞ্জরিবা : **Suranjoy Singh Laishram**
Assistant Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7187/29,30



ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯍꯥꯡꯂꯦ

**ADMISSION OPEN**

**FOR THE FOLLOWING COURSES**

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**
**KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL**

HL-B/7118/1/9-1/10



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 312/SDC/SLG/IE of 2021**

Parties : Wangkheirakpam Ambrabati Devi
W/o (L) Sagolsem Paona Meitei of Khewa Company - Petitioner

-Versus-

Late Pattada : Sagolsem Paona Meitei S/o Birchandra
of Sagolmang Khewa - Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sagolmang, 28/9/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 14-Khewa Company পাট্টা নং 18 (অরিবা) 86 (অনৌবা), দাগ নং 242 মোট এরিয়া .73 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0198/29



ꯂꯣꯟ ꯄꯤꯔꯦ

**LOAN পীজরি WITHIN 45 DAYS মনুংদা LOAN ফংহঞ্জগনি**

**No Processing Fee** **No Deposit**

1. Self Employed persons Loan.
2. Agri Land Loan.
3. Non-Agri Land (Mortgage property) Loan.
4. Salaried Person Loan

**Office Hour : 10 am to 3 pm.**
**# 9362323364**
**# 7005862472**

Sd/- Manager
**YAIPHARE GROUP OF FINANCE**
Chingmeirong, Imphal
Near Maruti NEXA

HL-B/7156/15-29/9



**VIMIT**

VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST

*ADMISSION OPEN*
FOR THE ACADEMIC SESSION 2021-2022
Limited Seat
Hostel Available

**BBA** Eligibility 10+2 **BCA**
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION
Affiliated to Manipur University

2 Months Certificate Course on **Tally ERP9**
Classes will start from 8th Oct. 2021
6th Months Certificate Course on **DCA**

Prospectus / Form available during office hours on any working days

Please contact: 9612333542/7005847770/7005613687
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com

Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal

HL-P/0200/29/9-5/10



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**

**Ref. Mut. Case No. 400/SDC/Hng/IE/2021**

Rajkumar Joysana Singh S/o (L) Rajkumar Chinglensana Singh of Luwangsangbam Makha Leikai. - Petitioner

-Versus-

Shrimati R.K. Pishak Devi W/o (L) R.K. Chinglensana Singh of Luwangsangbam Makha Leikai. - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated : 28/9/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. 3-Matai দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং. 46 অনৌবা পাট্টা নং. 321 দাগ নং. 88/397, এরিয়া .67 একর চাওবা Anganphou অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/0197/29



ꯀꯪꯂꯩꯄꯥꯛ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯔꯁꯤꯡ ꯏꯅꯁꯇꯤꯇꯨꯠ

**KANGLEIPAK MEDICAL AND NURSING INSTITUTE**

**Khurai Konsam Leikai**

**Admission is going on for Academic Session 2021-2022.**

| SL.NO. | COURSE | QUALIFICATION |
|---|---|---|
| 1. | D. Pharm. | 10+2 Sc |
| 2. | Diploma in Medical Laboratory Technology | Matric, 10+2 passed |
| 3. | Diploma in Radiography Imaging Technology | Matric, 10+2 passed |
| 4. | Diploma in Electro Acupuncture | Matric, 10+2 passed |
| 5. | Diploma in E.C.G. | 10th pass |
| 6. | Diploma in Operation Theatre Technology | 10+2 passed |
| 7. | Diploma in Dialysis Technician | 10+2 passed |
| 8. | Diploma in Opthalmic Assistant | 10+2 passed |
| 9. | Diploma in Ultra Sonography | 10+2 passed |
| 10. | Bachelor in Medical Laboratory Technology | 10+2 passed |
| 11. | Bachelor in Medical Laboratory Technology (Lateral) | DMLT passed |
| 12. | Bachelor in Radiography Imaging Technology | 10+2 passed |
| 13. | Bachelor in Operation Theatre Technology | 10+2 passed |

☞ Wanted immediately two B.Pharm and one Librarian for Pharmacy College. Apply along with full bio-data and recent passport size photo.
☞ Online class will be started from first week of November 2021.
☞ Application form can be obtained during office hour.

HL-P/0138/23/9-2/10 Sd/- **Managing Director**



ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯍꯥꯡꯂꯦ

***ADMISSIONS OPEN***

*FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22*

**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !**
**STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING COLLEGE OF BANGALORE**

*** COURSES OFFERED: ***

*B. E (COMPUTER SCIENCE)
*B. E (CIVIL)
*B. E (MECHANICAL)
*B. E (ELECTRONICS & COMMUNICATIONS)
*B. E (ARTIFICIAL INTELLIGENCE & MACHINE LEARNING)

**College Highlights**

*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.

CONTACT US: 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/0105/20/9-4/10



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**

**Ref. Mut. Case No. 401/SDC/Hng/IE/2021**

Maibam Saratchandra S/o (L) M. Naran Singh, Lairikyengbam Awang Leikai. - Petitioner

-Versus-

1. Maibam Ibobi Singh S/o (L) Naran Singh of Lairikyengbam Leikai.
2. Maibam Saratchandra Singh S/o (L) Naran Singh of Lairikyengbam Leikai. - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated : 28/9/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. 12-Lairikyengbam Leikai দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং. 188 অনৌবা পাট্টা নং. 554 দাগ নং. 165/716, এরিয়া .41 একর চাওবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/0197/29